# তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ ১৯৫১ দা বেজ ইয়ার ওইরগা এন আর সি তৌগদবনি হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তাল্লদুনা ঙসিসু লুপ ৫ গী মিৎয়েং মখাদা নাওরেম লৈকায় নোংপোক পান্থোইবী কম্যুনিটি হোলদা শিংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন, শিংজমৈ টু লিলোং মৈরা পাইবী অপুনবা লুপনা শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে হায়না লুপ ৫গী কনভেনর সঞ্জয় সোরোকখাইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লুপ ৫ গী মিৎয়েং মখাদা চথরকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুগী ঙসি হুন্নি চনবা নুমিৎতা লংথবাল কুঞ্জ অৱাং, ময়াই, মখা লৈকায়, লংথবাল চীংথক, চীংখা অমসুং থৌপুম কবুই খুল, চজিং বজার, কোজেং, মাইরেনখোং, চীংখোং, অৱাং, মমাং লৈকায়, নরানকোঞ্জিন অমসুং হাওরৈবী এরিয়াগী মৈরা পাইবীশিং অমদি ক্লবকী থৌমীশিংগা লোয়ননা সনসম ইবোহল হায়স্কুল কাঞ্চিপুরগী মহৈরোয়শিং অমসুং ওঝাশিংসু ৱাকৎ খোঙজং অদুদা শরুক য়াখি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা কোহরগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস লৈরাংতোন, এমএসএফকী ভাইস প্রসিদেন্ট কেঐচ সুন্দর, অমৱোভাগী এদভাইজর ৱাই কুঞ্জরাণি, লংথবাল চীংথক ৱুমেন সোসাইতিগী এদভাইজর অজিন কবুই, ওল চজিং অপুনবা মৈরা পাইবী লুপকী প্রসিদেন্ট মাইবম বেনুবতি, নুপী খুন্নাই ইমাগী প্রসিদেন্ট বিলাশিনি, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পাইবীগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে কুমুদিনি, অমুকোগী প্রসিদেন্ট এস সঞ্জয়, নুপী খুন্নাই ককৱা লম্বীগী প্রসিদেন্ট বিলাশিনি অমসুং অমুকোগী সেক্রেটারি ওর্গনাইজেসন লাইশ্রম কৃষ্ণচন্দ্রনা ৱাঙাংলোয় ওইখি।

লুপ ৫ অসিগী মিৎয়েং মখাদা ঙসি ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায় প্রোগ্রেসিভ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী কম্যুনিটি হোলদা পোইরৈ ইতা, ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়, পিৱাইদিএ ক্লব, সঙাইপ্রৌ মনিং লৈকায়, মালোম তুলিহল, হৈনৌখোংনৌম্বী অৱাং লৈকায়, ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেল, ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়, ন্যু কৈথেলমানবী, খাগেম্পল্লি পনখা নিংঙোম্থম লৈরক, কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়, অখাম লৈকায়, কংলৈপাক চনুরা কনবা লুপ ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকায়, থৌনাওজম মখা লৈকায়, ক্বাকৈথেল পনখা মৈরা পাইবী অমদি মিল্লেনিয়ম স্কুলনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা ৱাঙাংলোয়শিংনা হায়, য়েলহৌঙৌদগী নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরক্লবা য়েলহৌ কাংলুপ ফুরুপশিং ঙসিদি ককঙাওনরবা অৱাবগী ফিভম অমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থম্বীরে। কাংলুপ ফুরুপতা পোলিটিক্স তৌহন্দুনা খায়বুং খায়বুং তাহন্নবা শিল্লে। পুন্না হিংমিন্নবগী অচেৎপা মরী থুগায়রে হায়নসু মখা তাখি।

# বি জে পিগী লৈঙাক্লা মীয়ামগী পুন্সি অমদি ...

*লমায় ১গী মখা...*

মরমদি থৌরম অসিগী মনুং চন্না শৈরেং পাবা, লাইরিক ফোঙবা, অইবীগী মরমদা স্কোলরশিংনা ৱা ঙাংবা অমদি লোন অমদি লিটরেচরগী মরমদা খন্ন–নৈনবা মাই পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্বা অসিনি'। কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোরক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা ঙমদনা লৈবাক মীয়াম অসিবু খম থেংনা ৱাহন্দুনা থল্লিবা অসিনা তাকই মদুদি– বি জে পি লৈঙাক অসিদা মীয়ান্না থাজনিংঙাই করিসু লৈত্রে হায়খি।

ত্রস্টকী চ্যেরপর্সনসু ওইরিবা ক্ষেত্রিময়ুম সুভাদনিনা ফোঙদোকখিবদা, 'লমদম অসিগী অইবা–অইবীশিংগী তুংগী মরাইবক খল্লুবদা অৱাবা ওই। অইবা–অইবীশিংবু লৈঙাক অমদি মীয়ান্না থাক ৱাংনা থম্বীরবা মতমদা মণিপুর খুন্নাই অসি চাওখৎ লমজেলদা য়াওবা ঙমগনি। ঐহাক্কী চহী ৭০ শুরুকপগী থৌরম ত্রস্ট অসিনা শিনবীবা অসিমক পুক্লিংদা অপেনবা অমদি নুংশিবা ফাওই। ইবগী লমদা চহী ৫০ রোম খোঙদারক্লবা ঐহাক্কী ইবগী খোঙচৎ লেপখিরোই। দিসেম্বর থাবুম অসিগী মনুংদা লমাই লিশিং ২ রোম পানবা অচৌবা লাইরিক অমসু ফোঙনবা থৌরাং তৌরি। লোয়নন্না ত্রস্ট অসিনা লৈবাক মীয়াম অমদি লমদমসিগী অইবা অইবীশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়াসু পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি।' ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না শক্লাইরবা অইবা এন বি কোজেংবমগী মফমদা শকখঙ চে অমদি সোল খুদোল তমদুনা ইকাই খুন্নবা উৎখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ক্ষেত্রিময়ুম য়াইমা মেমোরিয়েল ত্রস্টনা আর কে তম্ফাসনানা মৈতৈলোনদা হন্দাকপা 'থম্মোয়গী থাওমৈ' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমসু ফোঙখি।

# মেনপৱার ৱাৎপনা আই এম সিগী থবক ...

*লমায় ১গী মখা...* উনদুনা ৱারী শাখ্রে।

ৱারী শানবা অদুদা আই এম সিগী কম্মিস্নর এম নন্দানা হায়, মেনপৱারগী অৱাৎপা লৈবনা কোর্পোরেসন অসিনা মীয়ামগীদমক্তা থবক পায়খৎপদা হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদবগী অৱাবা অদুমক থেংনৈ। কোর্পোরেসন অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না বিল্ডিং রিগুলেসনগী মতাংদা আই এম সিগী ওনলাইন পার্মিসন সিস্টেম অসি ৬২৮ পার্মিট পীথোকখিবা লৈরে। মসিদা রিগুলেসনগী ৱাংমদা থবক তৌব্রা হায়বসু ওফিসিয়েলশিংনা চপ চানা মোনিটর তৌরি।

মহাক্লা হায়, আই এম সিনা কোনবা মফমশিংদা প্রোপর্টি ৬২,৭০৭ আইদেন্টিফাই তৌবা ঙম্লে। ইম্ফাল স্মার্ট সিটি লিমিটেদকী মতেংগা লোয়ননা অনৌবা ওনলাইন টেক্স পোর্টেলগী মখাদা প্রোপর্টি আই দি অমমম পীদুনা মখোয়গী লেন অমদি বিল্ডিং ভেল্যুগী মতুং ইন্না চহীগী ওইবা টেক্সশিং থিজনবা থৌরাংশিং পায়খৎলে। মতম চানা টেক্স থিদোকপা, বিল্ডিং রিগুলেসনশিং ঙাক্লা চৎপা, পব্লিক ফেসিলিটিশিং নীংথিনা শীজিন্নবগা লোয়ননা লৈরিবা ৱেষ্ট মখলশিং নীংথিনা খায়দোকপা হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসিগী মতাংদা নীংথিনা এৱার্নেস লৈবা চঙই। মসিনা মণিপুরগী অর্বান এরিয়াশিং নীংথিনা লু–নান্না লৈনবা হোৎনবদা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়খি।

সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা পল্লদুনা মাহুদকী জোইন্ট দাইরেক্তর এম কপাজিৎনা হায়, সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজ তৌবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা প্রাইওরিটি অমনি। লমদেংদা লৈবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট অসি নেসিদস–ওত্রিগী মখাদা ফন্দ তৌবা প্রোজেক্ট ৫ অপগ্রেদ তৌবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলি। স্বাচ ভারত মিসন অর্বান ২০৭গী মখাদা ৱেষ্ট টু কম্পোষ্ট প্রোজেক্ট (৯৭ টি পি দি কেপাসিটি) এপ্রুভ তৌরকখ্রে। মসিগী মনুংদা ২৪দি লোইশিল্লে। ফিকেল স্লদজ ত্রিটমেন্ট প্লান্ট ৯ অমদি সিৱেজ ত্রিটমেন্ট প্লান্ট ৯ অমসু লোইশিন্নবগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেজদা লৈরি। পি এম এ ৱাই –য়ু ১.০গী মতাংদা বেনিফিসরি ৪৮,৩৬৪ এপ্রুভ তৌরকখ্রে। মসিদা য়ুম ২১,৮১৪ শাবা লোইশিনবগা লোয়ননা ২৬,৫৫০ হৌজিক শাবগী থবক চথরি। মসিগীদমক্তা ক্রোর ৫৭৯.৬৭ সেঙ্কসন তৌরকপদা ক্রোর ৫৪৫.৩৪ রিলিজ তৌখ্রে।

# নুংব্রম প্রাইমারি স্কুলদা ওজা অমত্তা লৈরমদ্রে...

*লমায় ১গী মখা...*

তম্বীহৌরি। লৈঙাক্লা স্কুল অদুদা থারকপা হেদমাষ্টর অমদি লৈরি ওজাদি অমত্তা লৈতে অদুমকপু হেদমাষ্টর অদুসু স্কুলদা লৈখিদবা চহী য়ামখিবনা লৈকাই মীয়াম অমদি মহৈরোইশিংগা মশক ফাওবা কাওনরে। লম লাপ্লা ভেন তোংহন্দুনা প্রাইভেট স্কুলদা থাদুনা মহৈ তমহনবা ঙমজদবা লাইরবা মহৈরোইশিংগীদমক মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদগী লমদম অদুগী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী ভি এল এফনা কন্না হোৎনদুনা স্কুল অসি মপুং ফাবা মহৈ তম্ফমশঙ অমদি ওইরক্লে। অদুমকপু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা স্কুল অসিদা মীৎয়েং অমত্তা চঙলক্তবা ওজা অমত্তা স্কুল অসিদা থাবিরক্তুনা লমদম অদুগী মীয়ামদা পেন্দবা কয়াদি লৈহৌরি।

মহৈরোইশিংবু মাঙহন্দবদি য়াদবনিনা লমদম অদুগী লাইরিক লাইশু হৈরবা নুপী ৫ রোন্না ভোলুন্টরি ওইনা থোক্তুনা চহী অসিগী জনুৱারি থাদগী ঙসি ফাওবা মহৈরোইশিংবু লাইরিক তম্বীহৌরি। স্কুল অসিদা লৈঙাক্কী হেদমাষ্টর অমদি থাবিরকখি অদবু মহাকসু লৈখিদবা চহী য়াল্লে। ওজাসু অমত্তা লৈতবা স্কুল অদুনা লৈকাইনা কন্না হোৎনদুনা মহৈরোশিংবু লাইরিক তম্বীবা অদুবু লৈঙাক্লসু ঙসি ফাওবা মীৎয়েং অমত্তা চঙলকপা লৈত্রি। স্কুল অদুদা লাইরিক তম্বদা ফন্নবা ফান অমত্তা লৈহৌদে। অঙাংশিং লাইরিক তম্বীবদা চঙবা পোৎলমশিংসু স্কুল অদুগী ওইনা অমত্তা লৈতে, অয়াম্বনা ফ্রিদা লাইরিক তাকপীরিবা ওজাশিং অদুনা লৈরুরগা শীজিন্নহৌরি।

লৈঙাক্কী প্রাইমারি স্কুল অমদা মহৈরোইশিংগীদমক লৈঙাক্লা মিদ–দে–মিল পীজরি, শান্নপোৎনচিংবা পোৎলম কয়া পীথরি। অদুমকপু নুংব্রম প্রাইমারি স্কুল অসিদদি মহৈরোইশিংনা লৈঙাক্লা মিদ–দে–মিল পীজে হায়বসিফাওবা মহৈরোই অমত্তনা খঙদে অমদি স্কুল অসিদা এজুকেসন দিপার্টমেন্টনা করিগুম্বা পোৎলম অমত্তা পীরকপসু লৈত্রি। মসিমক্তি মণিপুর লৈঙাক্কী এজুকেসন দিপার্টমেন্টনা মনুং চঙশিনবা মহৈরোইশিংবু খোঙ্গৈইনবনি হায়রোইদবগী মরমবু লৈরিব্রা।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুংব্রম প্রাইমারি স্কুলদা অখন্নবা উনবা অমদা ভি এল এফকী কেদেট অমসু ওইরিবী স্কুল অসিবু হীংনবা হোৎনবদা চাওনা থৌদাং লৌরিবী এন জি পপালি দেবীনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা লৈঙাক্লা থাবিরক্লিবা স্কুল অসিগী হেদমাষ্টর য়াইরিপোক নিংথৌনাইদগী এম দি জিয়াও রহমনদসু স্কুল অসিদা লাকপীনবা হায়জরুবা অমদি অঙাং লাইরিক তম্লিবনিনা মখোয়গী এগজাম তৌনবা হায়জরুবদসু করিমতা তাবিবা লৈতে। নখোয়গী থোকপা ফনবা শীনখ্রো হায়না খুন্বীরকখি। হৌজিক স্কুল অসিদা লৈকাইগী মীনা লাইরিক তাকপীরিবা অসি পৈশা ফঙবসু নত্তে। লাইরিক তাকপীরিবা ওজাশিংবু পুক্লিং থৌগৎপীবা ওইনা হেদমাষ্টর মশাসু লাকপীদুনা অঙাংশিংদা লাইরিক খরা খরা তাকপীয়ু হায়না হায়জরুবা মতমদসু মহাক্কী অঙাং মচাগী লাইরিক তাকপা হৈতে হায়না খুল্লকখি হায়রি।

মহাক্লা লাইরিক তাকপা হৈত্রবসু স্কুল অসিদা লাকপীয়ু, ফল্লগতা ওইরবসু লৈবিয়ু, স্কুল অসিগী তৌফম থোকপা থবক্তী তৌবিয়ু হায়নসু কয়ারক হন্না হায়জখি। অদুমকপু লাকপীদ্রে হায়রদুনা স্কুলগী ফিভম কনানসু য়েংশিনবিদ্রে, মহৈরোইশিংদি লাইরিক তম্বীরি। সরকারনা স্কুল অসিগী মিংদা করি করি পীরকপনো হায়বসু খঙদ্রে। স্কুল অসিগী মীংদা সরকারনা পীরকপশিংদি হেদমাষ্টরনা লৌরমগনি হায়রদুনা অঙাংশিংগী লাইরিক্তি লৈকাইগী ওজানা ফ্রিদা তম্বীরি হায়খি।

নুংব্রব থুমখোক লাইরেম্বী য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরি নিংথৌজম বোবিনা ফোঙদোরকপদা প্রাইমারি স্কুল অসি চহী অহুমরোমগী মমাঙদা হিঙ্গৎপা ঙমদনা লৈরুরে। অদুবু ঙসিদি ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপশিংনা কম্মিটি অমা শেমদুনা অমদি খুল অসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবশিংনা অঙাংশিংবু লাইরিক তাকপীদুনা মহৈরোই ৪৪ রোম লৈদুনা দিভলপমেন্ট খরদি লাকপা হৌরে। স্কুল অসিগী হেদমাষ্টর জিও রহমান কৌবা মীওই অসিনা মতম কুইনা স্কুল অসিদা কারকখিদবা অমদি করিগুম্বা অমত্তা য়েংশিন্দবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা অঙাংশিংগীদমক খল্লগা লাইরিক তাকপীরিবনি। লাইরিক তাকপীরিবা ওজাশিং অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী পৈশা ফংবসু লৈতে। অদুমকপু অঙাংশিংগীদমক লাইরিক তাকপীরিবা অসিগী য়েংলগা খুল অসিগী তোঙান–তোঙানবা মীওই খরনা মতেং তৌবিরকপদি লৈ।

স্কুল অসিগী হেদমাষ্টরসু অমুক্তংদি লাকপীরমদুনা এজুকেসন দিপার্টমেন্টকী চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না চহী অসিগী মে ২৭তা এস এম সি শেমদুনা ঙসি ফাওবা চল্লাইরি। অদমুকপু এস এম সি শেল্লবা মতুং দগীদি হেদমাষ্টর জিও রহমনসু অমুক হন্না স্কুল অসিদা লাকখিদ্রে। মতুং তারকপদা এস এম সিনা জেদ ই ওগা উনদুনা পাউদমজখি। অদুমকপু জেদ ই ওনসু করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎলকপা লৈখিদে হায়রদুনা নুংব্রম প্রাইমারি স্কুল অসিগী হেদমাষ্টর জিও রহমন অসি স্কুল শুংকা কাদনবা এজুকেসন দিপার্টমেন্টনা অয়াবা পীব্রা অমদি এস এম সি খঙদনা স্কুল অসিগী মিদ–দে–মিলনচিংবা অমদি তোঙান–তোঙানবা শেনফমশিং লোন্না কায়থোক্লিবা অসিসু এজুকেসন দিপার্টমেন্টনা য়েংদুনা লৈগদৌরিব্রা হায়নসু হংলদুনা মরী লৈনবশিংনা কনবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়খি।

স্কুল অসিদা অঙাংশিংবু লাইরিক তাকপীরিবা ওজা পুখ্রম্বম ইনাওবী চনুনা ফোঙদোরকপদা অঙাংশিংবু লাইরিক তাকপীবা হৌরকপা মতমদা স্কুল অসিগী ইনফ্রাষ্টকচর অমত্তা লৈরমদে। অঙাংশিংদি লাইরিক তাক্তবা য়াদবনিনা ফক থারগা লাইরিক তম্বীখি। অঙাংশিংগী রিপোর্ট কার্দ অমদি কেলেন্দরনচিংবশিং য়েন্থোক্লবা স্কুলগী রাউন্দসিল অমত্তা ফাওবা নন্বীদবনা হৌজিক ফাওবা য়েন্থোক্তনা লৈরি। নোং খজিক্তং চুরকপা মতমদসু স্কুল মনুংদা ঈশিংনা মরম ওইরগা অঙাং লাইরিক তম্বা য়াদে। ঈশিং মথক্তা ফক থাবদি য়াদবনিনা নোং তারক্লবদি লাইরিক তম্বীবা লেপগী ফিভমদা লৈরিবনি হায়খি।

# 'ফ্লাৱরিং প্লান্টস ওফ মণিপুর ভোল্যুম ১' ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ রিছার্স ফোরম, ৱাইখোম মণি গার্লস কোলেজ, থৌবাল ওক্রমনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর হঞ্জবম মনোরঞ্জন শর্ম্মা অমদি প্রো. অনৌবম রধাপ্যারি দেবী অনীনা ইবা 'দিক্সনারি ওফ ফ্লাৱরিং প্লান্টস ওফ মণিপুর ভোল্যুম ১' হায়বা দিক্সনারি লাইরিক আম ঙসি ফোঙখ্রে।

মণিপুরদা ফংবা পাম্বীশিংগী মমিং অমদি কান্নবশিং য়াওরবা দিক্সনারি ফোঙবগী থৌরম অদুদা দি এম য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. দব্লিউ চান্দবাবু সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, টিচর্স এসোসিয়েসন দব্লিউ এম জি সি থৌবাল ওক্রমগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম সোভাপতি দেবীনা থৌরম মপু, মণিপুর লৈঙাক্কী অয়ুসকী দিরেক্তর ডা. অকোইজম লোকেন্দ্রো সিংহনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

# তমেংলোংদা নুপী অনী অমগসু কাপ্পুনা ...

*লমায় ১গী মখা...* কয়ামরুমসু চেন্নখিবদগী মীওই কয়া অমা হৌজিক ফাওবা থীবা ফংদনা লৈরি হায়রি।

পনবা য়াই, দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী তোলেন অমসুং লোংপি খুলদা থা অসিগী ১৩দা কুকি ফুরুপকী মীওই ৪ হাৎলম্বগী থৌদোক ফোং ফোং শারিঙৈ ঙসি অমুক দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদা কুকি ফুরুপকী নুপী অনী অমুক হাৎলম্বা অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা খুন্দারিবা মীয়াম মপুং ওইনা কুকি জো ফুরুপকী মীয়াম কা হেন্না মীপায়বা পোক্লরে হায়রি। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কুকি ইনপি মণিপুর (কিম)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙসিগী থৌদোক অসি এন এস সি এন (আই এম) অমসুং জেদ য়ু এফ (কামসোন) অনীনা থোকহনবনি হায়না মরাল শীরদুনা কন্দেম তৌরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, হৌখিবা নুমিৎ হুন্নি অসিদা কুকি ফুরুপকী মীওই ৬ অতন্ননা হাৎপগী থৌদোক থোকখ্রে। থৌদোক অসিদা ভিক্টিম ওইহৌরবা ইমুং মনুংশিংগী অৱাবদা কিমনা শরুক য়ারি। অসুন্না কুকি জো মীচমশিংদা তৎতনা এটেক্ট চথরক্তুনা মী হাৎলক্লবা মতম অসিদা ষ্টেট অমসুং সেন্টর লৈঙাক কদাইদা লৈখ্রবগে। হৌজিক ফাওবা তুমিন্না লৈশিল্লিবা য়ানিংদে। ভাইওলেন্স পামদবা নাগাগী মীয়ামগা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা কুকি মীয়ামদা তৎতনা খৎনবা হৌরকপদা নত্তনা মীচম কয়া হাৎলকপা অসি লাইবক থীবনি হায়খি।

# নুপীশিংগী হক কনবদা চপ চাবা থৌদাং...

*লমায় ১গী মখা...*চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দগী ইপরিয়েল হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা কম্মিসন অসিগী ২০শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱাফম অসি চেয়রপার্সননা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এস সি দব্লীউগী চেয়রপার্সন তিনিংফম মোঙ্গাংনা হায়, মীয়ান্না মতেং পাঙলকপনা কম্মিসন অসিনা ঙসি ফাওবদা মপুং ফানা থবক থৌরম পাঙথোকপা ঙম্লিবনি। লমদম অসিগী নুপীশিংগী য়াইফনবা অমদি হক কন্নবা হোৎনবদা কম্মিসন অসিনা চপ চাবা থৌদাং লৌগনি। ষ্টেট অসিগী লৈরিবা ৱিমেন কম্মিসন অসিনা মপুং ফাবা থবক পায়খৎনবা হোৎনবদা হান্না লৈরম্বা মেম্বরশিংনা লৌরম্বা থৌদাংশিং শীংথানিংঙাইনি। ভোইজ ওফ ৱিমেন আর্টিকলগী ৭শুবা ভোল্যুম ফোঙবদা মতেং পাঙলকখিবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা কম্মিসন অসিনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা মরু ওইবা ৱারোল থমখি।

এম এস সি দব্লীউগী মেম্বর সেক্রেটরি দব্লীউ ফজতোম্বী য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কম্মিসন অসিগী হান্না মেম্বর ওইরম্বা সোইবম নিলিমা, লৌরেম্বম দয়াপতি, চুওংসিন কোইরেং, হান্নগী চেয়রপার্সন কৈশাম সোমিতা, লিগেল এদভাইজর চোংথাম নরেন্দ্র, খাইদেম শান্তা অমদি থিয়াম রাজকিশ্বরনচিংবশিং ফিলিসিটেদ তৌখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না ভোইজ ওফ ৱিমেনগী ৭শুবা ভোল্যুম ফোঙদুনা কম্মিসন অসিনা পায়খৎপা থবক থৌরশিংগী মতাংদা উৎপা অতেনবা দোক্যুমেন্টরি অমসু কাপখি।

# রিং রোদতা চখোক চৎশিন তৌবা অথীংবা...

*লমায় ১গী মখা...*

মেমোরিয়েল ক্লবতা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা নেমর্জিৎনা মখা তানা হায়, লম্বী অসি মণিপুর মীয়ামগী চখোক চৎশিন্দা খুদোংচানবা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলকপা প্রোজেক্ট অমনি। অদুবু লম্বী অসি শেম্বা হৌরকপা মতমদগী লম্বী অসিগী মতাইদা ময়াই কাবা নিষা চাশিল্লগা খৎনবা চৈনবা তৌবা অমদি অমন্বগী তাঞ্জা লৌরগা নুপা অমদি নুপীনা তৌহৈদবা থবক কয়া তৌরকপদগী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোলগী ইচিল ইনাওশিংগা পূন্না থীংনবা হোৎনদুনা লাক্লি। থীংবা ঙল্লক্তবদগী অকোয়বদা লৈরিবা নেতাজি মেমোরিয়েল ক্লব (এল এম সি), কোংপাল ষ্টুদেন্ট ৱেলফেয়র ক্লব (কে এস দব্লীউ সি), কোংপাল য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব (কে ৱাই দি সি), ইন্দষ্ট্রিয়স ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (আই এ এস), পিছফুল ক্লব (পি এফ সি), য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব (ৱাই ও এস সি) ক্লব ৬ অমদি মৈরা পায়বীশিংগা পুন্না খন্নদুনা রিং রোদ প্রোটেক্সন কম্মিটি শেমদুনা য়েংশিল্লকখি। অদুমকপু ঙসি অমুকসু লম্বী অসিগী মতাইদা নুপা অমগী অশিবা হকচাং লৈরম্বা থেংনখি। মরম অদুনা লম্বী অসি থীংবনি। লম্বী অসিনা শেম্বা লোইরবা কান্দা মৈ ফজনা থাল্লবা মতমদা লম্বী অসি অমুক হন্না হাংগনি। মরম অসিনা নুমিদাংদা ৱাকিং চৎপনচিংবা তৌবশিং থীংলিবা মতম অসিদদি লেপিরো হায়না ফোঙদোকখি।

# পুয়া য়োকখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরিবশিংদা...

*লমায় ১গী মখা...*ঙসি হৌদোকপগী নুমিৎতা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়, মরৈবাক মফুরুপ নুংশিবগী ইথিল লৈবা মীওইশিংনা ঐখোয়গী হৌখ্রবা পূৱারিগী তাঙ্ককশিং য়াওবা পুয়া কয়া তাশিন খোমজিন্দুনা অর্কাইবতা থন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরম্বা থেংনবা অসিমক অপেনবা পোকই। পুয়া হায়বসিদা ইপা–ইপুশিংগী মতমদগী হৌনা লৈরক্লবা য়ুমশারোল, খুন্নাইলোন য়াওনা লমদম অসিগী পুৱারিগী মরু ওইবা তাঙ্কক কয়া য়াওরিবনি। অসিগুল্লবা মমল য়াল্লবা পুয়া কয়াবু তাশিন খোমজিন্দুনা তুংগী মীরোলগীদমক য়োকখৎতুনা থন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংগা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ইন্সেন্টিবনচিংবা অঙম্বা খরা পীনবা কেবিনেটতা পুথোক্তুনা খন্নরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবা কম্মিস্নরদা ৱারি শাবসু লৈরে। মণিপুর হায়বসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা দেমোক্রেটিক ওইবা লৈঙাক অমা শেম্বা খ্বাইদগী অহানবা মফম অমনি হায়না লৌনরিবনি। অসিগুম্বা লমদম অসিগী লৈরিবা ময়েক অসিসু অতাংবা অমনি। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মশাগী ময়েক লৈজবা ষ্টেট হায়রবদি মণিপুর খক্তা ওইরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী লৈরিবা ময়েক অমদি হৌখ্রবা পুৱারিগী তাঙ্ককশিং য়াওবা পুয়া য়োকখৎনবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। অসিগুম্বা মরু ওইবা কয়া য়াওরিবা পুয়া অসি পাবা ঙম্বা মীশিং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ঙসি ষ্টেট অর্কাইব কমপ্লেক্স অসিদা ক্লাসরুম হাংদোকপা অসিমক থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল থল্লদুনা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর খুরাইজম লোকেননা হায়, মণিপুর হায়বা মফম অসি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মশাগী মরোল অমদি ময়েক লৈজবা মফম অমনি। মণিপুরবু মালেমগী ফম্বাক্তা স্পোর্টস অমদি কলচরনা মশক তাক্লিবনি। স্পোর্টস খক্তা নত্তনা লমদম অসিগী লৈরিবা কলচরগী ফজবা চৎনা লোনচৎ কয়া অসি হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই হায়খি।

আর্ট এন্দ কলচরগী সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিননা অখন্নবা মীথুংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা 'কোলোনিয়েল টুর রেকোর্দস ওফ মণিপুর' হায়বা অর্কাইবেল পাব্লিকেসন ২০২৬ চীফ মিনিষ্টর লোঞ্চ তৌখি। লোয়ননা ওল আর্কেক স্ক্রিপ পাবা অমদি তাকপীবগী প্রোগ্রাম অমসু হৌদোক্তুনা মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবকী ন্যু ষ্টেক রুম বিল্ডিং অমসু চীফ মিনিষ্টরনা মায়খুম হাংদোকখি।

# কমরেদ বীরগী মপোক কুমওন ...

*লমায় ১গী মখা...* কম্মিটিনা শীন্দুনা কৈশাম্পাৎ লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা কমরেদ বীরগী ফোটোদা লমদম অসিগী সি পি আইগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা ইকায় খুন্নবা উৎখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইরাবোত সেলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরগী ভাইস চেয়রমেন এল সোতিনকুমারনা হায়, কমরেদ বীরনা হিংলিঙৈ মতমদা লমদম অসিগী মীওৎ মীনৈ কয়াগী চৈথেং মায়োক্লরি ইমাশিংগীদমক অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরমখি। মীয়ামগী লুচিংবা জননেতা হিজম ইরাবোতকী খোঙবুরোই ওইদুনা কমরেদ বীরনা লৈবাক্কী থৌদাং কয়া লৌরমখি। লমদম অসিগী লৈরিবা ইমা কৈথেলদা শেঞ্জাও পায়বশিংগী দুকান প্লোট শাজিন্নবা হোৎনরকপা মতমদা চপ চানা থেংনখিবা মীশক অমসুনি। মহাক্লা লৌরম্বা থৌদাং অদুমক্লসু ঙসি ইমা কৈথেলবু মালেমদা মশক তাক্তুনা ফিভম অসি য়ৌহল্লকপা ঙম্বনি। থৌনা লৈবা, কথোকপদা পামুদবা অমদি অকিবা য়াওদবা মীওই অমনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেনিয়র লিদর লাঙ্গোল ইবোয়াইমা য়াওনা মরু ওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# মরম চাদবা বন্দ, ব্লোকেদ মীয়ান্না ...

*লমায় ১গী মখা.ম..*

থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা হায়, মণিপুর অসি ঙাইহাক ফাওবা নুংঙাইবা, লাইনিংবা, হরাও কুম্মৈ য়েংবা ফংদবগী মতম অমদা লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক তপ্পা তপ্পা শাফরক্তুনা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবা হন্থরকপদগী হান্না চৎপা য়ারমদ্রবা লম্বী কয়া চৎপা য়ারকপা অসিদা মপুং ফানা তঙদু লৈতাবা লৈত্রবদি চাওখৎপা পুরক্লোই, মহৈরোইশিংগী তুংগী ফ্যুচর লৈরক্লোই খনবদগী ঙসিগী গনেশ চটুর্থিগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা তঙদু লৈতাবা মণিপুর অমা ওইনবা থৌনি তৌবনি। ঙসিগী থৌরম অসিনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ ৩৬কী মনুংদা অমগা অমগা নুংশি চান্নবা, ইং তপ্পা অমসুং তঙদু লৈতাবা লাকপা ওইরসনু, মসি ওইহন্নবা মীয়াম পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা মরম চাদবা বন্দ, ব্লোকেদনচিংবশিংদা মীয়ান্না য়াওশিনবা অমসুং শৌগৎপা লেপ্পসি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা য়ুনাক্নো স্কুলগী চেয়রমেন নিঙোম্থম ইরাবন্তনা হায়, গনেশ হায়রিবা ঈশ্বর অসি মীয়ান্না থাজনবদা করিগুম্বা অফবা থবক অমা হৌরমদাইদা অয়েৎ অপন, অতেক অকায় থোক্লবা খুরুন্নবা ঈশ্বর অমনি। ঙসি মণিপুরদসু কম্মিটি অসিনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা গনেশ চটুর্থিগী থৌরম অসি মণিপুর নত্রগা ইন্দিয়া খক্তদা পাঙথোকপা নত্তে। থৌরম অসি তোঙান–তোঙানবা লৈবাক কয়াদা তোঙান–তোঙানবা মীংথোল পীদুনা পাঙথোক্লরি। গনেশ চটুর্থি হায়রগা হিন্দু খক্তগী লাই নত্তে। তোঙান–তোঙানব লাইনিং চৎপশিংনা ঈশ্বর অসিবু লাৎনরি। ঙসি মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিমকসু তোঙান–তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লি। অসুন্না ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবা অমসুং নুংশি চান্নবা তঙদু লৈতাবা মণিপুর অমা পুরকপা ওইরসনু হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দ, ববিনা গ্রুপকী মেনেজিং দিরেক্টর কম চেয়রমেন ডা. থাংজম ধবলি, ৱাংখৈ এ সিগী এম এল এ থাংজম অরুন, ক্ষেত্রিগাও এ সিগী এম এল এ নুর হসন, কুম্বী এ সিগী এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্র, দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ৱাহেংবম চান্দবাবু অমসুং রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর গুরুময়ুম সুনিল কুমারনা থৌরমগী মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী হৌদোকপা নুমিৎতা গুরু লাকপতিগী পালানা নট সংকীর্তন, পটাঞ্জলি যোগ নোংইন অমসুং দিভাইন লাইফ পরিৱারগী মেম্বরশিংনা গীতা থীবগী থৌরম পাঙথোকখি। তুংদা শমুরাইলাৎপম নববোলকেনো অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা ভজন শকখি।

# ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ রেদিও চীং–তম নম্বোলগী অহানবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্ত, রুপ রাগগী প্রসিদেন্ট শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্র, দুরদর্শন মণিপুরগী রিটয়র্দ দাইরেক্তর মণিবাবু লিকমাবম, রিমোট সেন্সিংগী রিটয়র্দ দাইরেক্তর ডা. এন রনধির, ইন্দষ্ট্রিগী রিটয়র্দ দিপ্যুটি দাইরেক্তর আই বি খুমনচা, লাইনিং থৌ হোস্পিটাল নম্বোলগী এম দি ডা. টিঐচ নবকিশ্বর, মিলেনিয়ম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সকী ফাউন্দর সেক্রেটরী এম মোমোসু শরুক য়াখি।

# খোঙজং হন্দোকপগী মহুত্তা হেন্না...

*লমায় ১গী মখা...* মণিপুর লৈহাক্কী স্পোক্সপার্সননা থা অসিগী ১৩দা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জে এফ দিনা নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বা খোল্লাওগী মখাদা চঙশিল্লিবা অসি লৈঙাক অসিনা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না সেন্সস য়ৈথোক্লে অমদি হন্দক ফমখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৮শুবা মীফমদা এন আর সি তৌদ্রিবা ফাওবা পাঙথোকপীদনবা হায়না ৱারেপ লৌখি।এন আর সি অপদেসন তৌবগী বেজ ইয়ার ১৯৫১ ওইগনি, হোম মিনিষ্টরনা লুচিংবা এম এল এশিংগী টিম অমা ন্যু দিল্লিদা লৈদুনা মণিপুরদা এন আর সি অপদেট তৌনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনবা লৈ। মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বশিং থবক্তা পাঙথোকপা হৌরবনিনা জে এফ দিনা চঙশিল্লিবা ওফিস থিংবা অমদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং হন্দোকপীরো। মসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা ৱাহল্লে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবা লৈরে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না সেন্সস য়ৈথোক্লে হায়বসি য়ান্না ময়েক শেংদবা মপুং ফাদবা ৱাফম অমনি। মরমদি থা অসিগী ৫দা আর জি আই অমদি সেন্সস কম্মিস্নরনা থোকখিবা অদুদা পল্লিবা ৱাফমদি মখা তানা লাউথোক্ত্রিবা ফাওবা মণিপুরদা হাউস লিষ্টিংগী থবক মতম খরগী ওইনা য়ৈথোক্লে হায়বনি। এন আর সি তৌদ্রিবা, মীতোপ খন্দোক্ত্রিবা ফাওবা সেন্সস য়ৈথোক্লে হায়বা নত্তে। মতম খরা লৈরগা অতোপ্পা নোটিফিকেসন অমা থোক্লগা হায়বদি মীতোপ খন্দোক্ত্রিঙৈদা সেন্সস পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপা য়ান্না চাউনা লৈরি। মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিদা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোকপীগনু হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনবা অমদি এন আর সি অপদেট তৌবগী বেজ ইয়ার অসি ১৯৫১ ওইগনি হায়বা ৱারেপ লৌরে হায়রিবসি খরা হেঞ্জিনবা ৱাফম ওইগনি। মরমদি এসেমব্লিদগী থাদোরকপা ৱারেপতা ১৯৫১না বেজ ইয়ার ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌগনি হায়বসি য়াওদে। এসেমব্লিদা লৌখিবা ৱারেপ অদু থবক ওইনা ওন্থোক্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অমনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিন্নবা ঙায়রি হায়বা অসি মণিপুর লৈঙাক্কী অফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু মীয়ামগী অপাম্বা থবক্তা ওন্থোকপা হৌরবনিনা জে এফ দিগী খোঙজং হন্দোকপীরো, মীয়ামদা অৱাবা পীরগুমসি, মণিপুর ইং–তপ্পা লৈহল্লসি হায়বা অসি জে এফ দিনা খনবগা য়ান্না তাইওন্নরে। আর জি আই অমদি সেন্সস কম্মিস্নরগী থোক্লকপা চেরোল মীয়ান্না পেন্নিংঙাই ওইদ্রবা ৱারেপ অমদি ষ্টেট এসেমব্লিগী মপুং ফাদ্রবা ৱারেপ অমদি লৈঙাক অসিনা মীয়াম্বু পেলহনবা ঙমদ্রবা ৱারেপ অসিগীদমক্তসু অকনবা খোঙজং কয়া মথৌ তাখি।

# চিরু মরোই সাইন্টিফিকেল্লি...

*লমায় ১গী মখা.ম..*ডা. অনিল খারনা লুচিংবা আই সি এ আর টিম অমদি আই সি এ আর–আই এ আর আই রিজনেল ষ্টেসন পুনেগা খূৎশন্নদুনা চহী ৮ লোম রিছার্স তৌরক্লবা মতুংদা ঙসিগী শিংথানিঙাই ওইবা থবক অদু মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমখিবনি।

মণিপুরদা চিরু মরোই হায়না খঙনরিবা অসি সাইন্টিফিকেলি আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা এলিম ফিষ্টুলোজম (চিরু মরোই) হায়না মিংথোনখি। লোয়ননা রিছার্স ফাইন্দিংশিং ইন্টরনেসনেল জর্নেল অমা ওইরিবা ফাইটোসক্সাদা থা অসিগী ৮দা ফোঙখি। চিরু মরোই হায়রিবা মরোই মখল অসি মরুওইনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বুংতে চিরু অমদি নুংশাই চিরু খুলশিংদা চিরুগী লৌমীশিংনা য়ান্না থানবা মখল অমনি। চিরু মরোই সাইন্টিফিকেলি ওইনা আইদেন্টিফাই তৌখিবা অসি মণিপুরগী ইন্দিজিনস ক্রোপশিং ঙাক শেন্না থন্নবগী খোঙথাং অমনি। পাম্বী মখল অসিগীদমক সি এ য়ুনা জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন (জি আই) টেগ এপ্লাই তৌনবগী থবক থৌরমশিংসু পায়খৎলি। মসিনা মরোই মখল অসিবু অমদি লৌমীশিংবু হেন্না ঙাক শেনবা অমদি মশক খঙহনবা ঙমগদৌরিবনি হায়না সি এ য়ুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ওফিসর ডা. ইন্দিরা থৌনাওজমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# য়ুপিআইদগী লিশিং ২ হেন্না কাপ্পদা...

*লমায় ১গী মখা...*থাদা পার্লিয়ামেন্টদা টেক্সেসন এন্দ অদর লোজ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২৬ পাস তৌখ্রবা মতুংদা য়ু পি আই পেমেন্ট তৌবা চার্জ লৌনবগী ৱাফম অসি পুথোক্লরকখিবনি। এক্ট অসিগী মনুংচন্না মীওই অমদগী অমদা পৈশা কাপ্পদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী চার্জ লৌরোই। লুপা লিশিং ২ ফাওবা কষ্টমর অমনা দুকান্দার অমদা কাপ্পদা ফ্রী ওইগনি। কষ্টমর অমনা দুকান্দার অমদা লুপা লিশিং ২ হেন্না পৈশা কাপ্পদা দুকান্দার অদুনা ফংলিবা পৈশা অদুদগী চাদা ০.৪ চার্জ লৌগনি।

কালকুলেসনগী মতুংইন্না লুপা ৭৫,০০০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা শেনফম ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা খুদিং ফী ওইনা লুপা ৩০০ লৌগনি। লোয়ননা রেলৱে, টেলিকোম সর্ভিস, ইন্সোরেন্স অমদি থাউনচিংবা কেটাগোরিগী ওইনা লুপা লিশিং ২ দগী হেন্না য়ু পি আই পেমেন্ট তৌবদা ট্রাঞ্জেক্সন খুদিংদা লুপা ৫ গী ফ্লেট চার্জ লৌরগনি হায়রি।

# সি এমনা এল দি এগী ৱেবসাইট...

*লমায় ১গী মখা...* তৌখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর কে ঐচ লোকেন য়াওনা এম এল এ টি ঐচ শান্তি, কে রোবিন্দ্রো, ডা. ৱাই রাধেশ্যাম, আই নলিনিসু য়াওখি। লোয়ননা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি রজিব সিংহ থাকুর, এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি অনুরাগ বাজপাই, এল দি এগী চেয়রমেন এ কে সিনহা, প্রোজেক্ট দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণ য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙখিবা ৱাটরবার্দ সেন্সস রিপোর্ট অদুদা লোক্তাক পাৎ অমদি অকোয়বদা চাকতাবা উচেকশিংগী মশিংগী ওইবা ময়েক শেংবা দেটা কয়া য়াওরি। রিপোর্ট অসিনা বাইওদাইর্ভসিটি কঞ্জার্বেসনগী কান্নবা ইনফোর্মেসন কয়া অমসু মীয়ামদা পীবা ঙল্লগনি হায়না সি এম সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তারক্লি।

# হোন্দা এক্টিভা হুরানবা ১ ...

*লমায় ১গী মখা.ম..* পি এসকী টিমনা লিলোং তুরেল অহনবী দাম মথক্তুগী ফাবনি। পুলিসনা ফারবা এম দি সোহেল অলম হোন্দা এক্টিভা হুরানবগীদমক মহাক্কি মথক্তা সিটি পি এসতা এফ আই আর পানখ্রবা মীশক অমনি হায়রি।

# গভর্ণর এৱার্দ ২০২৬ ...

*লমায় ১গী মখা...*রাজকুমারী সনাতোম্বী দেবী বিদ্যলয়গী একাদেমিক অমদি কো–করিকুলর এক্টিভিষ্টিতা হোৎনবা কনবা অমদি ইচং থৌবা মহৈরোই খনগৎতুনা কুমজা ১৯৯৮ গভর্ণর এৱার্দ অসি লাম্থোকপা হৌখিবনি। লাইরিক খক্তা নত্তনা তোঙান–তোঙানবা হীরম কয়াদা মহৈরোইশিংবু তাকপী তম্বীবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। কুমজা ২০৪৭তা মশা মরোমদোম লেপ্পা চাওখৎপা ইন্দিয়া অমা ওইনবগী মঙলান থমদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা হৌগৎলক্লিবা মীরোল অসিগী অচৌবা থৌদাং চঙই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চেঞ্জেল্লর ইন চার্জ প্রোফেসর আর কে হেমাকুমার অমদি এৱার্দ সেলেক্সন বোর্দকী চেয়ারমেন ডা. আর কে নিমাই য়াওনা তোঙান–তোঙানবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

# এসিয়ন গেমস ২০২৬: ইন্দিয়ন এঠলেটশিংগী শেম শাবদা লুপা ক্রোর ৮০০ খরচ তৌখ্রে





ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ

জপানদা থা অসিগী ১৯দগী হৌগদৌরিবা এসিয়ন গেমসদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন এঠলেটশিংগী ট্রেনিং তৌবা য়াওনা অতে শেম শাবদা লুপা কোটি ৮০০ রোম খরচ তৌখ্রে হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা এসিয়ন গেমস অসিগী ট্রেনিং তৌবা, ইক্যুপমেন্ট সপ্লোর্ট পীবা, কোচ অমসুং এক্সপার্ট নেকপদা হৌখিবা চহী অহুম অসিদা লুপা কোটি ৭০২ খরচ তৌখ্রে। মসিগীসু মথক্তা টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কিম ( তোপস)কী শেম শাবদা অহেনবা শেনফম লুপা কোটি ৯৭.৮৪ অমসু থাদখ্রে। গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী কন্টিজেন্টনা ইভেন্ট ৩১০দা শরুক য়াগনি।

তোপসকী সি ই ও ওইরিবা এন এস জে াহলনা হায়, লৈবাক অসিগী এঠলেটশিং অসিনা গেমস অসিদা শরুক য়ানবগীদমক্তা নীংথিনা শেম শারে। গেমস অসিদা মেদল ১০৬ ফাওবদি ফং লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

হৌখিবা জনুৱারদগী টার্গেট এসিয়ান গেমস গ্রুপকী কোওর্দিনেসন মিটিং মপাল পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা শান্নরোইশিং অসিগী মতিক অমদি মথৌনা উৎথোকপা ঙম্নবা ফিভম নীংথিনা শেমগৎখ্রে হায়না সি ই ও জোহলনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী বেজ লাইন স্পোর্টস সিষ্টেম ওইরিবা খেল্লো ইন্দিয়াদগী লাকখিবা এঠলেট ৬৫ হন্দক্কী গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরি। স্পোর্টসকী নৌরিবা এঠলেটশিংনা য়াম্না নৌনা তোপ লেভেল দা য়ৌবা ঙমখিবা অসি লৈবাক অসিগী শান্নবগী তুংলমচৎকী অফবা ইঙ্গিৎ অমনি হায়না সি ই ওনা পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখিবনি।

আইজি নগোয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অসিদা মীৎয়েং চঙবা য়াবশিংগী মনুংদা মিনিষ্ট্রিনা শেনফম পীদ্রিবা চহী ১৫ শুরবা ক্রিকেটর ষ্টার ভাইভব সুরয়াভনসি, পাদ্দলর দাস, সুট্টর অয়ুস ছেত্তি, হৌখিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ টাইটও লৌখ্রবা চহী ১৮ শুরবা স্কৱাস প্লেয়র অনাহট অমসুং জ দো কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট অস্মিতা দে য়াওরি।

জোহলনা মখা তানা হায়, খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাফমদি পূম্নমক অসিগী মরক্তসু এঠলেটশিংদা থাজবা থল্লি। এসিয়ন গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা দিসিপ্লিন ৩৬দা এঠলেট ৫০১ (নুপা ২৬৭ অমসুং নুপী ২৩৪) অমসুং সপ্লোর্ট ষ্টাফ ২৬৫ থাগনি। মমাঙগী হাংঝৌ গেমসতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২৮, সিলভর ৩৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪০ লৌবা ঙমখিবনি। অহানবদা সেঙ্কসন তৌখিবা কন্তিজেন্ট অসি ৫০৩ ওইরম্মী, অদুম ওইনমক দোপিংগী মরমদগী এঠলেট ২ লৌথোকখিবদগী এঠলেট ৫০১দা হন্থখিবনি।

অরোয়বদা পার্ফোমেন্সদি এঠলেটশিংদগী লাক্কনি। ঐখোয়না ঙম্বা থৌনা হোৎনখ্রে। চহী নৌরিবা এঠলেটশিংনা মায় পাকপা পুরক্কদৌরিবনি এঠলেটশিংগী খক্তা নত্তনা তোপসনা ফিজিও, মেন্তেল হেল্‌ঠ এক্সপার্ট অমসুং ডোক্তর য়াওনা স্পোর্টস সাইন্স স্পিসিয়েলিষ্টশিং য়াওহনবা হোৎনরি। টিম খুদিংমক্তা নুপী সপ্লোর্ট ষ্টাফ য়াওরি। সপ্লোর্টস ষ্টাফশিংগী অহুমথোকপগী অমদি স্পোর্টস সাইন্সতগনি ।

মহাক্না মখা তারদুনা ফেদরেসন খরানা নুপী সপ্লোর্ট ষ্টাফ মতিক চানা মমিং থাগৎলক্তবদগী ঐখোয়গী কন্তিজেন্ট লিষ্ট পুথোকপদা মতম খরা চঙখি। পুম্নমক্তা সপ্লোর্ট ষ্টাফ ২৬৫ লৈরিবসি মনুংদা নুপী ৫৬ য়াওরি হায়না ফোঙদোকখি।

# নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট লোয়শিনখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (এস এন এস)ঃ

খেলো ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিপলভমেন্ট এক্রোস দি নেসন (স্পান্দান) স্কিমগী মখাদা জি সি সি আর পি এফ মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগা লোয়ননা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না শীন্দুনা নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ভোল্লিবোল ফাইনেলদা এল এল ৱাই সিনা তাওশাংবু সেট ২–০দা অদুগা নুপীগী ফাইনেলদনা কে ৱাই এল এস সিনা এস সি ৱাই সিবু সেট ২–০দা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙম্নখি। অদুগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা শেলগী মনা মথং শিংনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা জি আই জি জি সি আর পি এফ ইম্ফালগী পদ্মশ্রী অমদি অর্জুনা অমসুং রজিভ গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দি এন কুঞ্জারানি অমদি সহিদ মরোরঞ্জনগী অপোকপী মমা ভির মতা ঙাশেপম নেমচা অমসুং সি আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট কমান্দেন্ট ওফিসারশিংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈন্না পদ্মশ্রী, অর্জুনা এৱার্দি অমসুং রজিভ গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দি এন কুঞ্জারানিনা ফোঙদোকখিবদা স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট এক্রোস দি নেসন (স্পান্দন) হায়বা খোল্লাও অসি ষ্টেট অসিগী ওইনদি য়াম্না চুশিন্নবা খোল্লাওনি। খোল্লাও অসিবু লমদমসিগী মীয়াম্না মপুং পাহন্নবা হোৎনমিনশি। হৌরক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কায়বা চীঙ্গাক্‌গী নাথৈদুনা শান্ন–খোৎনবদা মায় ওনশিন্দুনা মশা–মউ ফানা থম্বনা অনা অয়েক্তগী ঙাকথোকপা খক নত্তনা অফবা ৱাখল খলহনবা ঙমগনি। মরম অসিনা সি আর পি এফ অমদি সাই অনীনা লেপ্তনা মশান্না কয়াদা অথোই অহেন চাংদম্নবগী থৌরম কয়া লেপ্তনা পাঙথোক্লিবা অসিদা পূম্নমক্না শৌগৎমিনশি। অমদি অফবা লৈবাক, অফবা মণিপুর অমা ওইহনমিনশি।

মহাক্না মখা তারদুনা, দ্রগনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা লান্দারক্লিবা অসিদগী অমত্তা ওইনা ঙাকথোক্লবা স্পোর্টসতা অসি স্পোর্টসতা মায় ওনশিমিনরশি। লমদম অসি স্পোর্টসকী পৱার হাওসনা হায়নরগা লৈরিবা ষ্টেট অমনি। ষ্টেট অসিদগী লেপ্পা লৈতনা অফবা শান্নরোই কয়া পুথোক্তুনা লেপ্পা লৈতনা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ অমদি ওলেম্পিক য়াওনা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা মেদল লৌরকপা ঙম্নবা হোৎনশি। স্পোর্টসকী মরমদা অঙম্বা মতেং লেপ্পা লৈতনা পাংখিগনি হায়খি।

*গীফ রাইখান মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট:*

# এস য়ুনা আর এফ সি সি ৩–০দা থোয়খ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গী মীৎয়েং মখাদা রাইখান ফেমেলি অমসুং বাবিনা গ্রুপ ওফ কম্পনিনা ওর্গনাইজ অমদি স্পোন্সর তৌদুনা শীন্দুনা লম্লোং থোং খোংদা লৈবা অর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা গীফ রাইখান মেমোরিয়েল কপ ২০২৬–২৭ দা এস য়ু মায় পাকখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্টগী ৩শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা এস য়ু শগোলবন্দনা আর এফ সি সি কৈনৌবু গোল ৩–০দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি এস য়ুনা হৌবদগী হৌনা লাকশিন্না শান্নরক্তুনা গোল চনবগী এটেক মথং মথং চথরকপগী মহে ওইনা মেটচকী ১৯শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৬ ওইনাম রোনাল্ডোনা গোল একাউন্ট হাংবা ঙমখ্রবা মতুং মেটচকী ২৪শুবদা রোনাল্ডোনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০দা মাঙজিল থাহন্দুনা আর এফ সি সিনা অকনবা প্রেসর পীশিনবা ঙমখি।

গোল শোত্থররিবা আর এফ সি সিনা হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা এস য়ুগী শান্নরোইশিংনা হেন্না লাকশিন্না শান্নখিবনা মেটচকী ৩৯শুবা মিনিটতা রোনাল্ডোনা মহাক্কী অমদি টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা হেটট্রিক মপুং ফাবা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৩–০দা মাঙজিল থাহনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরপদা টিমশিংনা হেন্না লাকশিন্না শান্নরকপগী গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং ফংনরবসু গোল ওন্থোক্লবা ঙম্নবদনা লৈনখিবনা মেটচ অসি অহানবা হাল্ফতা রোনাল্ডোনা চনখিবা গোল অহুম অদুনা এস য়ু ফুল পোইন্ট ফংবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা আর এফ সি সি কৈনৌগী জর্সি নম্বর ৫৯ কৈশাম সতিশ মেটচকী ৫৯শুবা অমসুং এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৩ জোশ খুমন্থেম মেটচকী ৮০শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি আরকে অঙৌসনানা রেফরি, এল রোজিৎনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসঐচ রোবিন্সননা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, সিঐচ শ্যামসননা ফোর্থ ওফিসিয়েল, এন চিংলেম্বা মঙাংনা মেটচ কম্মীস্নর ওইনা কন্দক্ত তৌখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচতা উৎলৌ এফ সিনা য়ু এস এ খুরাইবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা উৎলৌ এফ সিগী গোলশিং অদু এস লোয়াঙম্বা অমসুং দব্লিউ মঙালনা চনবা ঙমখি। মায়থিরবা য়ু এস এগী গোল অদুনা ইদিসননা চনখি।

হয়েং অহানবা মেটচ ওইনা এ আই এম খাবম অমসুং এফ সি রেঙদাইনা অদুগা অনীশুবা মেটচ ওইনা নম্ফা অমসুং ক্রিপ্সানা শান্নরগনি।

# অম্ফানা সস্পেন্সন হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা চহী অসিগী মার্চ ৩দগী হৌনা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী টিঐচ ধিরেন সিংহ, ত্রেজরর কে দিপক সিংহ, এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী টিঐচ ধনাচন্দ্র মৈতৈ অমসুং হেদ ওফ রেফরি আই জয়কুমারগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবা হায়বদি সস্পেন্সন অদু হন্দোক্লে হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নাকল অমরোমদা অম্ফানা থোকপা অতোপ্পা মেমোরেন্দ অমগী মতুংইন্না ফুটবোল কোচ দাভিদ লোংজমগী মথক্তা থল্লবা অথিংবা অদুসু লৌথোক্লে হায়রি।

অদুম ওইনমক মহাক্না রিলাইন্স ফাউন্দেসন য়ুঠ স্পোর্টসনা মণিপুরদা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংদদি য়াওরোইদৌরি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

*অহানবা শিংজমৈ সুপর লীগ ২০২৬:*

# ই সি ওইনাম থিঙেল অমসুং মোদেল ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ




চিঙামথক য়ুং লর্নরস ক্লব (সি ৱাই এল সি) শিংজমৈনা শীন্দুনা চিঙামথক্তা লৈবা সি ৱাই এল সিগী পিশুম গ্রাউন্দদা টিম ১৩না শরুক য়াদুনা গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা অহানবা শিংজমৈ সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ই সি ওইনাম থিঙেল অমসুং মোদেল ক্লব মায় পাকখ্রে।

ঙসি অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ই সি ওইনাম থিঙেলনা আই বি এস এ য়ুম্নাম লৈকাইবু গোল ৪–২দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ই সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ এস নুংশিবানা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৩, জর্সি নম্বর ১২ ও ঙান্থোইবানা মেটচকী ৬শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ৬ এস সারজিৎনা মেটচকী ৪০শুবা অমসুং ৪৫শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখি।

মায়থিরবা আই বি এস এগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৩০ আই আবিন্দনা মেটচকী ৩৩শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১২ ৱাই সমানন্দনা মেটচকী ৩৫ প্লস ১শুবা মিনিটতা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মোদেল ক্লবনা দব্লিউ এ সি ৱাইখোম লৈকাইবু গোল ২–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা দব্লিউ এ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৯ জেমসননা মেটচকী ৮শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৯ ননাওনা মেটচকী ২৬শুবা মিনিটতা চনখি।

হয়েং অহানবা মেটচ ওইনা দব্লিউ ভি এস দি ৱাইখোম লৈকাই অমসুং ৱাই য়ু টি সি ও চিরোম লৈকাই, অনীশুবা মেটচতনা এন এল সি টি এল নিংথৌজম লৈকাই অমসুং ও এল ৱাই সি ওক্রম লৈকাইনা অদুগা ৱাই দব্লিউ ও অমসুং গেলেক্সিনা শান্নরগনি।

# কে কে সি ও টুর্নামেন্টদগী লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

য়াইস্কুল কাংখুৎ, য়াইস্কুল চিঙাখম লৈরকনা শীন্দুনা টিম ১৪না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা শ্রী শ্রী রাম গোপাল মন্দোপতা চথরিবা ১৯ প্লেয়র ট্রোফি লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি গোপালদেব (ওল্ড) কাংখুৎ অমসুং কে কে সি ওনা শান্নখিবা মেটচতা কে কে সি ও অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা তোকখিবদগী কে কে সি ও টুর্নামেন্ট কমিটিনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৌথোকখ্রে।

হয়েং এল এস কে অমসুং গোপালদেব (এন) না শান্নরগনি।

# এম এন সি এনা প্লেয়র রিন্যুয়েল অমসুং ট্রান্সফরগী নোটিস থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম এন সি এ)গী এফিলিয়েটেদ ক্লবশিং। দি সি এ। টেম্পররি এফিলিয়েসনশিংগী রিন্যুয়েল (এনুয়েল সবক্রিপসন) অমসুং এম এন সি এগী দোমেষ্টিক সিগন ২০২৬–২৭গী প্লেয়র ট্রান্সফরগী নোটিস থোকখ্রে।

এম এন সি এগী নোটিস অদুগী মতুংইন্না ক্লব। দি সি এ। টেম্পররি এফিলিয়েসন রিন্যুয়েল অমসুং দোমেষ্টিক ফিশিংগী ওইনা অমদি প্লেয়র ট্রান্সফর (ইলাইট, সুপর প্লেট অমসুং প্লেট গ্রুপকী ওইনা থা অসিগী ২১ অমসুং ২২গী অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ওইগনি। প্লেয়র ট্রান্সফরগী ৱিথদ্রোনা থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা ওইগনি।

ইলাইটকী ফীনা লুপা ১৫০০, সুপর প্লেটকী ফীনা লুপা ১৩০০, প্লেটকী ফী অমসুং টেম্পোররি এফিলিয়েট ক্লবশিংগী ফীশিংনা লুপা লিশিং অমমম, দি সি এগী ফীনা লুপা লিশিং ২, দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টগী ফীনা লুপা লিশিং ৩ অমসুং প্লেয়র ট্রান্সফরগী ফীসু লুপা লিশিং ৩ ওইগনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ক্রিকেট ওপরেসনগী মেনেজর সোইবম লালিটচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# শান্নরোইশিং তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৫ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ৭তগী ৯ ফাওবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পহালগামদা চথখিবা ৪শুবা নেসনেল শরিৎ সরাৎ চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখ্রবা য়েনিং থাঙ–তা কলচর একাদমি শামুরৌগী শান্নরোই ১৫ অমসুং কোচ ৩ ঙসি শামুরৌ নাওরেম অপূনবা মৈরা পাইবী লূপ অমদি শামুরৌগী অপূনবা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনা শীন্দুনা শামুরৌ কৈথেলদা হরাও তয়াম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা শান্নরোইশিংদা অচম্বা খুদোল পোৎ তমদুনা মখোয়গী তুংগী পূন্সিদা হেন্না মায় পাকপা পুরক্লবা পূক্নিং থৌগৎখি।

নীংবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা য়েনিং থাঙ–তা কলচরল একাদমিগী শান্নরোইশিংনা গোল্ড ১১, সিলভর ২ লৌদুনা মণিপুরনা গোল্ড ৫০, সিলভর ৩ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়নগী টাইটল লৌবদা অচৌবা মতেং পাংখিবনি।

# অফ্রিকানা অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা ৱার্ল্ড এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্কদৌরি




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ

কেনিয়ানা মতম শাঙনা লমশাং লমজেলদা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক ওইজরবসু ৱার্ল্ড এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ গুম্বা অচৌবা ইভেন্ট অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদনা লাকখ্রবসু অফ্রিকানা অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন্সিপ অসি ২০২৯দা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রসিদেন্ট সেবাষ্টিয়ান কোইনা লাউথোকখ্রে।

২০৩১দা জর্মনিনা য়ুম্বু ওইদুনা মুন্যিকনা ৱার্ল্ড এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্কদৌরি।

ৱার্ল্ড এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ অসি অহানবা ওইনা অফ্রিকাদা পাঙথোক্কদৌরিবগী মরমদি কেনিয়াগী রন্নরশিংনা মালেমগী ওইনা য়েংনবদা মকোক থোংবা এঠলেটশিং ঙাক্তা লৈবনা মশান্না অসিদা মালেমদা মকোক থোংবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরিবনি।

হঙ্গেরিদা পাঙথোকখিবা অলটিমেট চেম্পিয়ন্সিপ লোয়রবা মতুংদা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স প্রসিদেন্ট সেবাষ্টিয়ান কোইনা ৱারেপ অসি লাথোক্লদুনা ঐখোয়গী চেম্পিয়ন্সিপ অসি অফ্রিকাদা অহানবা ওইনা পুরকপসি য়াম্না মরুওইবা পুৱারী অমনি। এঠলেটিক্স হায়বসি কেনিয়াগী পূন্সিগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা পুনশিন্দুনা লৈরি।

ৱার্ল্ড এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোকপগী ৱারেপ অসিনা কেনিয়াবু ট্রেক নেসন অমনি হায়না শক খঙনবা অমদি ইষ্ট অফ্রিকান লৈবাক অসিগী মরুওইবা চেনবশিংদা থেংনখিবগী হৌখিবা ৱারী কয়াদগী মীৎয়েং হেন্না চঙবা ওইরকপা য়াই। হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা সস্পেন্সন ফংলকপা কেনিয়াগী ইলাইট লেভেল চেনবা কয়াশিংগী মরক্তা মরাথোন ৱার্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর, রুথ চহী অহুমগী দোপিংদা চেন্নদুনা বেনদা লৈরিবনি।

এঠলেটশিংনা মেদলগীদমক নত্তনা য়াম্না চাওবা শেনফমগী মনা পীথোকখিবা নৌবা অলটিমেট চেম্পিয়ন্সিপ লোয়রবা মতুংদা মথং চহীদা বৈজিংদা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপগী অরিবা ফোর্মেট অমুক হন্না চৎনরক্কদৌরি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসি নুমিৎ ১০ চুপ্পা চথগনি। মদুগা অনৌবা অলটিমেট চেম্পিয়ন্সিপনদি থৌরম খুদিংমক য়াওদনা নুমিৎ হুমনিখক চথখিবনি। মসিগী মরমদি হৌখিবা হাপ্পা বুদাপেষ্টতা য়াওখিদ্রিবা নুপাগী ত্রিপল জম্প সোট পুট, রেস ৱাক্ক অমসুং মরাথোননচিংবা ইভেন্ট কয়াসু য়াওগনি।

# এসিয়ন গেমসগীদমক নেপালগী বোক্সরশিংনা গুৱাহাটিতা ট্রেনিং তৌরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ

জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৯দগী হৌগদৌরিবা এসিয়ন গেমস ২০২৬কীদমক নেপালগী বোক্সরশিংনা গুৱাহাটিতা মখোয়গী সাই কোচ নরেন্দ্র রানা, ত্রিদীপ বোরাহ অমসুং প্রনামিকা বোরাহগী মখাদা অকনবা মওংদা ট্রেন্নিং তৌরি।

নেপালদা হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা নেপাল টিমনা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক মখোয়গী বোক্সরশিং গুৱাহাটিদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) নেসনেল সেন্তর এফ এক্সিলেন্স (এন সি ও ই)দা মপুং ফানা ট্রেনিং তৌরি।

ওগষ্ট ১০দগী হৌরগা নেপালগী বোক্সর ৭ অমসুং কোচ ২ য়াওনা এসিয়ন মেদলিষ্ট অককুশিতা বোরো য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগা লোয়ননা ট্রেনিং তৌমিন্নরি।

নেপালগী টিমদা য়াওরিবা বোক্সরশিং অদুদি কেজি ৫১গী কেটাগোরিদা রামিশা শ্রেসথা, কেজি ৫৪গী কেটাগোরিদা অস্মিতা দুৱাল, কেজি ৬৫গী কেটাগোরিদা কুসুম তমাং, কেজি ৫৫গী কেটাগোরিদা চন্দ্র বাহাদুর থপা, কেজি ৬০গী কেটাগোরিদা খাগেন্দ্রা রোকা মাগর, কেজি ৭০গী কেটাগোরিদা দন বহাদুর দারলামি অমসুং কেজি ৯০দা রাবিন নেপালনি।

মখোয়গী কোচশিং অদুনা রাজ শ্রেসথা অমসুং দীপক মহারাজননি।

সাইগী কোচ রানানা হায়, কেম্প অসিনা ইন্দিয়া অমসুং নেপাল অনীগী বোক্সরশিংদা মরুওইবা কান্নবা কয়া পীরি। ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং মেঘলায়াগী বোক্সরশিংগা স্পারিং তৌবনা নেপাল টিম অসিদা টেক্তিকেল ইনভাইরোনমেন্ট অমদা হোৎনবা ঙমহল্লি। পুম্নমক অসি আইচি নগোয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অসিদা মখোয়গী পার্ফোমেন্স হেনগৎহল্লগনি।

কেম্প অসিগী মতাংদা নেপালগী বোক্সর রামিশানা হায়, ট্রেনিংগী মফম, কোচিং অমসুং স্পারিং অসিনা ঐঙোন্দা টেক্নিকেল অমসুং ফিজিকেল ওইনা য়াম্না ফগৎপা ঙহললে। এসিয়ন গেমস অসিদা মপুং ফাবা ট্রেনিং ফংলবনিনা মেদল লৌবগী অশা থল্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।



SL/B(KK)/31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com